মপানগী ক্রুপশিংং লৌথোকপগী মতাংদা য়ু এস না ইরাক্কা ৱারী শানবা হৌখ্রে

বাগদাদ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) : ইরাক্কা লৈরিবা অমেরিকান অমসুং অতৈ মপানগী ক্রুপশিংগী তুংগী ফিভমগী মতাংদা ঙরাং ইরাক অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস্না অহানবা রাউন্দগী ৱারী শানবা হৌখ্রে।

বাগদাদগী মাইকৈদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা মপানগী ক্রুপশিং লৌথোক্লবগী টাইম লাইন অমা তকশিল্লকপা য়াবগী কন্দিসন অমগা লোয়নননা ৱারী শানবা অদু হৌখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা শেমখিবা এন্টি-ইস্লামিক গ্রুপ ইন্টরনেসনেল কোলিসনগী শরুক অমা ওইনা ইরাক্তা হৌজিকসু চাউরাক্লা য়ু এসকী ক্রুপ ২,৫০০ রোম লৈরিবনি।

চহী অদুদা জিহাদিস গ্রুপ অসিনা ইরাক অমসুং য়ুমথংনরিবা সিরিয়াগী পাক চাউরবা মফমশিং পায়শিনখিবনি। তৌইগুম্বসুং ইজরেল অমসুং হামাসনা হৌখিবা ওক্তোবরদা লান শোক্লবা হৌখ্রবা মতুংদা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংদা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা ক্রুপশিংনা তোয়না এটেক তৌরকপদগী য়ু এস না খুৎহনবগী ষ্ট্রাইকশিং চথুরকখিবগা লোয়ননা ইরাক্কী মাইকৈদগী লৈবাক অসিদা অমেরিকানা অকন অরিংশিংবগী চথুরক্লে হায়না তোয়না ৱাকৎলকখিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন অদু লৈবাক অদু থাদোক্লবা তকশিল্লকখি।

হৌখিবা ওগষ্টতা ৱাশিংটনদা ৱাফম অদুগা মরী লৈনবা মীটিং অমা পাঙথোকখিবদগী মখা তানা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরকখিবনি। ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর গভর্নমেন্ট ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা পার্টিশিংগী সপোর্টকী মখা য়াম্না পোল্লি হায়বসি মতাং অসিদা পনবা য়াই।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ইরাক্কী নোংচুপ থংবা অনবার প্রোভিন্সতা কোলিসনগী ক্রুপশিংগী মফম ওইরিবা এইন অল-অশা বেজদা দ্রোন এটেক অমা চথুরকখি হায়না য়ু এস মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখি। এটেক অদুদা মীশি মীনা অমদি অমাং-অতানচিংবা থোকখিবগী পাউখুদক্কী ওইনা য়ু এসকী ওফিসিয়েল অসিনা ময়েক শেংনা পীরকখিদ্রবসু ইরাক্কী সিক্যুরিটি ওফিসিয়েল অমনা দ্রোন এটেক অদু কনফার্ম তৌখি।

মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ সিয়া অল-সুদানিগী ওফিসনা মহাক অমসুং ইরাক্কী আর্মদ ফোর্সেস অমসুং য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন অনীমক্কী অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েলশিং য়াওবা ফোটোগ্রাফ অমা ইস্যু তৌখি। সুদানিগী ওফিসনা আই এসকী অরাবিক এক্রোনিয়ম অমা শিজিন্নরদুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি মখোয়গী জোইন্ট কম্মিসননা ঙসি বাগদাদতা দেশকী মায়োক্তা লৈরিবা গ্লোবেল কোলিসনগী মিসন রিভিয়ু তৌবা হৌখি।

ইরাক্কী সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি ফোর্সশিংগা খুৎশম্নরগা থবক তৌদুনা মিসন মায় পাক্লবা মতুংদা দেশকী মায়োক্তা শেমখিবা গ্লোবেল কোলিসন অদুগী মিলিটরি মিসন লোয়শিনবগী থৌরাংশিং মিলিটরি এক্সপার্টশিংনা য়েংশিনগনি হায়না ষ্টেট অদুদা পনখি। সুদানিগী ফোরেন এফেয়ার্সকী এদভাইজর ফরহাদ অলালদিলনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা ৱারী শানবা অদুগী প্রোগ্রেসনা নিগোসিয়েসনশিং অদু কয়াম কুইনা চথগদগে হায়বদু লেপকনি।

খুৎলাই লৈবদা নমথাক তৌরম্লে

কিভ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) : য়ুক্রেনগী মিলিটরিনা খুৎলাই লৈবদা পুন্না দোল্লর মিলিয়ন ৪০ রোমগী চাংদা শেঙ্গা-থুমজাগী থবক চথুরম্লে হায়না ঙরাং লৈবাক অদুগী এস বি য়ু সিক্যুরিটি সার্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে।

খুৎলাই লৈবদা শেঙ্গা-থুমজা চাওনা তৌরম্বগী ৱাফম অদু য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা রসিয়না চহী ২ চপ্পা লান্দারক্লিবা লৈবাক অসিদা পামদা ৱাথোক অমা লাক্লে হায়রি। য়ুক্রেননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মেম্বর ওইবা য়ানবা কন্না হোৎনরক্লিবা মতম অসিদা লৈবাক অসিদা মখা তানা মরুওইবা ৱাফম অমা ওইদুনা লৈরিবা করপসন মুখৎনবা হোৎনবা হায়বসি মরুওইবা ইস্যু ওইদুনা লৈরি হায়রি। এস পি য়ুগী মতুং ইন্না ইনভেষ্টিগেসন অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স অমসুং খুৎলাই সপ্লাইয়র লভিভ অর্সনেলগী মেনেজরশিং শেলশিং লৈবদা দোল্লর মিলিয়ন ৪০ রোম হায়হৎপদা চেন্নরম্লে হায়বসি খঙবা ঙম্লে। ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মতুং ইন্না শেল হায়হৎপা অদুদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী হান্নগী অমসুং হৌজিক্কী অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েলশিং অমসুং মরী লৈনবা কম্পনিশিংগী হেদশিং চৈন্নে।

টেররগী থবকশিংদা চেন্নবা য়ু এনগী ৱার্করশিং চৈরাক পীগনি ঃ য়ু এন চিফ গুতরেজ

জেরুসলেম, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) : টেররগী থবকশিংদা চেন্নবা য়ু এনগী ইমপ্লোয়ি খুদিংমক চৈরাক ফংগনি হায়না ঙসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুতরেজনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্তোবর ৭ তা হামাস মিলিটেন্টশিংনা ইজরেলদা লান্দাখিবদা রিফ্যুজি এজেন্সিগী ষ্টাফর খরা চেন্নখি হায়না মরাল শিনরকখিবা মতুংদা য়ু এন চিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক ৯ না ফন্দিং পীবা মতম খরগী ওইনা লেপ্পা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা গুতরেজনা মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট খুদিংমক্তা য়ু এন রিফ্যুজি এজেন্সি ফোর পলেষ্টিনিয়ন্স (য়ু এন আর দব্লিউ এ) বু মখা তানা শৌগৎননবা অপিল তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এন চিফনা হায়, টেররগী থবকশিংদা য়ু এনগী ইমপ্লোয়ি অমা হেক্তা চেন্নরম্বা থোক্লবদি ক্রিমিনেল প্রোসিক্যুসন য়াওনা অদুগুম্বা মীওই অদু জষ্টিস মায়োক্লহনগনি। সেক্রেটরিয়েটনা অসিগুম্বা কোওপোরেসনগা মরী লৈনবা মসিগী নোর্মেল প্রোসিজরশিংগী মতুং ইন্না চেন্নবা ইন্দিভিজুয়েলশিং প্রোসিক্যুট তৌবা ঙম্বা মতিক চাবা ওথোরিটি অমদা মতেং পাংননবা শেম শাদুনা লৈ।

অমরোমদা মহাক্না য়ু এন আর দব্লিউ এগীদমক্তা নুপা অমসুং নুপী লিশীং কয়ানা থবক তৌরিবা অদুদা হ্যুমেনিটেরিয়ান ৱার্করশিংগী খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মফমশিংদা থবক তৌরিবা কয়াদি য়ারিবমখৈ চৈরাক ফংহন্দনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

অৱা অনা কয়া মায়োক্লরিবা মীয়ামগীদমক্তগা মখোয়না হোৎনরিবশিং অদু মরী লৈনবা য়ু এন এজেন্সিনা য়ারিবমখৈ অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়না গুতরেজনা ফোঙদোকখি। ইস্যু অসিগী মতাংদা অহানবা ওইনা হকথেংননা পীবা মহাক্কী কম্মেন্টতা য়ু এন চিফ অসিনা হামাসকী এটেকশিংদা চেন্নখি হায়রিবা য়ু এন আর দব্লিউ এ গী ষ্টাফরশিংগী অকুপ্পশিং পীখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা এটেক অদুদা চেন্নে হায়রিবা মীওই ১২ গী মনুংদা মীওই ৯ থবক লৌথোকখ্রে। মীওই অমদি শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে অমসুং অতৈ মীওই ২ চপ চানা মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি।

ইজরেলনা মরাল শিরকখিবা মতুংদা পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরুওইবা সপোর্টকী সোর্স অমা ওইরিবা এইদ এজেন্সি অসিদা বৃটেন, জর্মনি, ইটালি, নেদরলেন্দস, স্বিজরলেন্দ অমসুং ফিনলেন্দসু, য়ু এস, অষ্ট্রেলিয়া অমসুং কনাদাগী মতুং ফন্দিং পীবা লেপখিবনি।

হৌথিগী এটেকশিং, টাইৱানগী ৱাফমগী মতাংদা য়ু এস অমসুং চাইনা ৱারী শানখ্রে

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) : চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট ৱাং য়ি অমসুং য়ু এস নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর জেক সোলিবাননা থাইলেন্দগী কেপিটেল বেঙ্কোক্তা লৌথুপ লৌকোই লৈহন্নদনা ৱারী শানদুনা সেন্সিটিভ ওইরবা টাইৱান অমসুং রেদ সীদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক তৌবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হ্বাইট হাউসকী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমগী মতুং ইন্না নুমিৎ নিনিগী মনুংদা পুং ১২ চুপ্না ৱারী শানখিবা অদুনা লাক্লিবা স্প্রিং সিজনদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং অমসুং য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা জো বাইদেনগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শাননবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়না থাজনরি। বৈজিং অমসুং ৱাশিংটননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা টেক্নোলোজি, ত্রেদ, হ্যুমেন রাইটস, মশানা লৈঙাকচবা টাইৱান অমদি সাউথ চাইনা সীদা অমগা অমগা ফাংজিন্ননা তৌনরিবা ক্লেমশিং য়াওনা সেন্সিটিভ ওইরবা ইস্যুশিংগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাক্লিবনি।

হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা সেন্টফ্রান্সিসকোদা সি জিনপিংগা উন্নখিবদগী নাকল অনীগী মরী খরমখৈ ষ্টেবল ওইবা ঙম্লে হায়না থাজনরিবনি।

উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা ক্রুজ মিসাইল কয়া কাপখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) : ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা লৌখৎলক্লিবা উংখৎনবা হেনগৎহনবগী খোঙথাংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা ঙসি লৈবাক অসিনা ক্রুজ মিসাইল কয়া কাপখ্রে হায়না সিওলগী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

পিওংয়াংনা য়েলো সী তন্না ক্রুজ মিসাইল কয়া কাপখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনি কান্নরগা ঙসিগী লোঞ্চ অদু পাঙথোকখিবনি। মমাংগী লোঞ্চ অদুনা অনৌবা জেনরেসনগী ষ্ট্রেটেজি ক্রুজ মিসাইলশিংগী অহানবা চাংয়েংনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখিবনি।

পিওংয়াংনা অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা অন্দরৱার্টর ন্যুক্লিয়র ৱিপন সিষ্টেম অমসুং সোলিট-ফ্যুইলগী হাইপর সোনিক বলেষ্টিক মিসাইল অমগী চাংয়েংশিং য়াওনা খুৎলাইগী চাংয়েংশিং পাঙথোকপা হেনগৎলকখিবনি।

জোইন্ট চিফস ওফ ষ্টাফনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি ঙসি লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৮ তাবদা নোর্থ কোরিয়াগী সিনপো এরিয়াগী অকোইবদা লৈবা ঈশিংগা নক্লনা মশক খঙদবা ক্রুজ মিসাইলশিং কাপ্পা ঐখোয়গী মিলিটরিনা দিটেক্ট তৌখি।

জে সি এসনা মখা তানা হায়রিবদি লোঞ্চ অদু সাউথ কোরিয়ান অমসুং য়ু এস ইন্টেলিজেন্স ওথোরিটিশিংনা এনালাইসিস তৌরি। নোর্থ কোরিয়াগী অহেনবা মুভমেন্টশিং অমসুং এক্টিভিটিশিং কুপ্না মোনিটর তৌরি হায়নসু জে সি এসনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি বলেষ্টিক মিসাইলশিংগা খেন্নবা অমনা ক্রুজ মিসাইলশিং চাংয়েং তৌবা অসিদি য়ু এন না পিওংয়াংগী মায়োক্তা হৌজিক থম্লিবা অথিংবশিংগী মনুং চনদে। ক্রুজ মিসাইলশিং জেট-প্রোপেল তৌবগা লোয়ননা বলেষ্টিক মিসাইলশিংদগী হেন্না নেম্না পাই।

পাস্পোর্ট য়াওদনা য়ু এসতা পাইখিবা রসিয়ান নুপা অমা কনভিক্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) : ভিজা, পাস্পোর্ট নৎত্রগা টিকেট অমা য়াওদনা য়ু এসতা পাইশিনখিবা রসিয়ান নুপা অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফেদরেল পোর্ট অমনা এয়রক্রাফ্ট অমদা মথোং মরম খঙদনা তোংশিল্লকপগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবা সর্গি অচ্গিাবা কৌবা মীওই অদু হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কালিফোনিয়াগী কোর্ট অমগী জুরিনা কনভিক্ট তৌখিবনি। কোর্টকী দোক্যুমেন্টশিংগী মতুং ইন্না রসিয়ান-ইজরেলি দুএল নেসনেল অমা ওইরিবা অচ্গিাবা স্কেন্দিনিভিয়ান এয়র লাইন্সকী ফ্লাইট অমদা তোংলগা কোপন হেগন থাদোকখি অমসুং কুমজা ২০২৩ গী নভেম্বর ৪ দা লোস এজেলিস এয়রপোর্টতা থুংখি। মহাক পাস্পোর্টনত্রগা ভিজা পায়খিদে।

ওফিসিয়েলশিংনা মহাক ফ্লাইট অমত্তগী পেসেঞ্জরশিংগী লিষ্টতা য়াওরম্না থেংনখি। মতুং তাবদা মহাক ফাখি অমসুং হৌখিবা নভেম্বরদগী কষ্টদিদা থম্লকখি। মহাক ফেদরেল জেলদা য়াম্লবা চহী ৫ লৈবগী চৈরাক মায়োক্লবগা লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৫ দা কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না চৈরাক পীরগনি। ইনভেষ্টিগেটরশিংগী মতুং ইন্না য়ু এসতা থুংলখিবগী মতাংদা শেমজিন শাজিনবা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়রি।

লাইট এয়রক্রাফ্ট কায়বগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিরে

ব্রুসেলস, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): বেলজিয়মগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি লাইট এয়রক্রাফ্ট অমা লেন্দিং তৌরকপদা নাকন্দা খামদুনা লৈবা কার অমদা থোমজিল্লবা মতুং পোকখায়বগী থৌদোক্তা প্লেন অদুদা তোংলকপা মীওই অনী লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লোকল পুলিস কম্মান্দর জিন মাইকেল লেজুননা প্রেসতা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুংশিৎ য়াম্না কন্না শীৎপা মতম অমদা প্লেন অদু এরোদ্রোমদা লেন্দিং তৌনবা হোৎনখি। মদুদা এরোদ্রোম অদুগী মনাক নক্লা লৈবা স্পা অমগী নাকন্দা খামদুনা লৈবা কার অমদা প্লেন অদুনা থেংজিনখিবগা লোয়ননা খূদক্তা প্লেন অদু মৈরী থোক্লা চাক্লকখিবগা লোয়ননা কার অদুগা পূন্না পোকখায়খিবনি। লাইৱক থীবা থৌদোক অদুদা প্লেন অদুদা তোংলকপা মীওই অনী লৈখিদবনি হায়না লোকল পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লোকল পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, থৌদোক অদু লেন্দিং তৌবদা ফেল ওইবদগী থোকখিবা থৌদোক ওইখিবা য়াই হায়না থাজনরি। মসিগী মতাংদা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌরগনি। অহানবগী ওইনা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না প্লেন অদু পাইরকখিবা পাইলোট অদু জর্মনি মচানি। অদুগা প্লেন অদুদা তোংলকখিবা মীওই অদুনা লোকলনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং এক্সপর্টশিং মফম অদুদা চঙশিনদুনা য়েংশিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে।

অথুবা মতমদা লাইট এয়রক্রাফ্ট কায়খিবগী থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি হায়না লোকল পুলিস ওফিসর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লাইট এয়রক্রাফ্ট কায়বগী পাউ অদু হেক ফংবগা ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন ওফিসরশিংসু থৌদোক থোকফমদা য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা এরোদ্রোম নাকন্দা লৈরিবা ৱাটর বোটলিং প্লান্টতা পোল্যুসন থোকহল্লকপা য়াব্রা হায়বগী মতাংদসু য়েংশিনবা হৌখ্রে হায়রি।

ঐখোয়বু হাৎপা লেপ্পু হায়বা খোল্লাওশিং লাউদুনা মশীং য়াম্লবা নুপী কয়ানা কেনিয়াদা পেন্দবগী খোঙচৎ চৎখ্রে

THERE IS NO JUSTIFICATION FOR KILLING WOMEN!
WE MARCH FOR ALL WOMEN!
RESPECT PROTECT WOMEN!
STOP KILLING WOMEN!

নাইরোবি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): কেনিয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নুপীদা চথুবা ক্রাইম মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মরাল লৈজদ্রবা নুপী কয়া নুপী ওইবীগী ইকাই খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুং হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা ঐখোয়বু হাৎপা লেপ্পু হায়বা খোল্লাওশিং লাউরদুনা কেনিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুং নাইরোবিদা খোঙজং চঙশিনখিবা নুপীশিংনা থা অসিগী মনুংদা হাৎখিবা মরাল লৈজদ্রবা নুপীশিংগী মমিং ইবা টি-শর্টশিং লীৎখিবগা লোয়ননা লম্বীদা থৎচিন্দুনা নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমশিং খূদক্তগী লেপকদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি। ঙসিগী পেন্দবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা দেমোন্সট্রেটরশিংনা তোঙান-তোঙানবা ৱাহৈশিং থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদা নুপী হাৎপগী ৱাহন্থোক করিনো, নুপীশিংগীদমক ঐখোয়না অমত্তা ওইনা লেপকনি অমদি নুপীশিংগী মথক্তা সেক্স্যুএল ক্রাইমশিং চথুবা লেপ্পু হায়বা ৱাহৈশিং য়াওরি।

লৈবাক অসিগী কোনুং নাইরোবিদা পূনখিবা মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংনা নুপীদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা তোকপীরো হায়বা ৱাফমশিংসু থমখি।

অমরোমদা, খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা লো সোসাইটি ওফ কেনিয়াগী প্রসিদেন্ট এরিক থিওরিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অমদা লৈরিবা ইনাক খুনবা মীওইশিংনা মতৌ করম্না অতোপ্পা মীওইশিংবু লোয়নবগে হায়বগী ৱাহন্থোক্লা লৈবাক অদুগী মশক তাকপা য়ারোই। লৈবাক অমবু অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংদা মশক তাক্লবা হোৎনবদা লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা, অকনবা অমদি অশোনবা মান্ননা চৎমিন্নবা মথৌ তাই নৎত্রবদি লৈবাক অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং অদুম্মক থোকখিগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা কেনিয়াদা মরাল লৈজদ্রবা নুপী ১৪ হাৎখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিসর্ছ ফর্ম ওদিপো দেবকী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা মমাং চহীগী দিসেম্বর থা ফাওবদা নুপী ৫০০গী মথক্তা হাৎখ্রে। মসিগী মথক্তা রিপোর্ট তৌদবা নুপীগী মথক্তা চথুবা কা-হেনবা থৌদোক কয়া অমসু লৈ হায়রি।

চর্চতা এটেক চথুদুনা মীওই ১ হাৎখ্রে

ইষ্টানবুল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): খূৎলায় মতিক চানা পায়রবা মীওই অনীনা ইষ্টানবুলদা লৈবা ইটলিয়ন চর্চ অমদা লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা থবক থৌরমশিং চথুরিঙৈদা খঙহৌদনা এটেক চথুরকপদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়না টর্কিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪০ রোম তাবা মতমদা ইষ্টানবুলগী সারিয়র দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সান্তা মারিয়া চর্চতা থোকখিবনি। চর্চ অদুদা মীওই খরনা লাইনিং-লাইশোলগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিঙৈদা মমায় লোৎপা মীওই অনীনা এটেক চথুদুনা মীওই অমা হাৎখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অলি য়েরলিকয়ানা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি। করি মরমগীদমক চর্চ অদুদা এটেক চথখিবনো হায়বা হৌজিক্কী ওইনদি চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

য়ু এস সর্ভিস মেম্বর অহুম হাৎখ্রে

য়ু এস, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): সিরিয়ন বোর্দরদা জোর্দানগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সকী বেজ অমদা মী য়াওদবা এরিএল দ্রোন অমনা এটেক চথুদুনা য়ু এস সর্ভিস মেম্বর ৩ হাৎখ্রে অদুগা খরনা অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু ইরানননা সপোর্ট তৌবা গ্রুপশিংনা চথুবা ওইরমগনি হায়না মরাল শীখ্রে।

অমরোমদা, য়ু এস মিলিটরিগী রিপোর্ট মতুংইন্না দ্রোন এটেক অদুদা মীওই ২৫ শোকখি। এটেক অদু অহানবগী থিজিনখিবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না সিরিয়া অমসুং ইরাকতা বেজ তৌবা ইরাননা মপূং ফানা শৌগৎপা লালহৌলূপশিংনা চথবনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

[illegible]

[illegible]

ইরানদা পাকিষ্টানি নেসনল ৯ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগা তাইনবা ইরানগী ঙমখৈ শরুক্তা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা পাকিষ্টানি নেসনল ৯ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পাকিষ্টানি এম্বেসেদর মোহমদ মুদাসির টিপিনা ফোঙদোকখ্রে।

এম্বেসেদর মুদাসিরনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পাকিষ্টান অমসুং ইরানগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরবসু মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা খূদোংচাবা লৌরদুনা মীহাৎ-মীপূনশিং য়াম্না তোয়না চথুরি।

পাকিষ্টানি নেসনল ৯ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইরান গভর্ণমেন্টকা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানখ্রে অমদি ইরান গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদু থিগৎপদা মপূং ফানা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সরাভন প্রোভিন্সকী দেপ্যুটি গভর্ণর অলিরেজা মর্হামতিনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদুদা হিংহৌরবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না খূৎলায় পায়বা মীওই অহুম চঙশিল্লক্লগা মফম মরাং খঙদনা নোংমৈ কাপশিল্লম্লবা মতুং খোঙলৈ থুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি হায়রি।

ৱেষ্টর্ন পাৱরশিংগা চয়েৎনরিঙৈ মরক্তা ইরাননা সেটলাইট অহুম মায় পাক্লা লোঞ্চ তৌখ্রে

টেহরান, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ন্যুক্লিয়র পাৱর অমদি বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ৱেষ্টর্ন পাৱরশিংগা উংখৎনবা কয়া লৈরিঙৈ মরক্তা ইরাননা ঙসি অহানবা ওইনা লৈবাক অদুগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স এন্দ আর্মদ ফোর্সেস লোজিষ্টিক্সনা শাবা কেরিয়র মিসাইল শীজিন্নদুনা সেটলাইট অহুম মায় পাক্লা থাগৎখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্ট অমদা হায়রি।

অমরোমদা, টেহরাননা সেটলাইট অহুম মায় পাক্লা থাগৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা ৱেষ্টর্ন পাৱরশিংনা টেহরানগী বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রাম মখা তানা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপা য়াই হায়দুনা মিপাইবা পোক্লখ্রে।

ইরাননা মায় পাক্লা থাগৎখ্রবা সেটলাইটশিং অদুনা লৈমায়দগী কিলোমিটর ৪৫০ ৱাংবা মফমদা পাইদুনা লৈগনি। সেটলাইট অহুম থাগৎখিবগী মনুংদা সেটলাইট অমগী অরুম্বনা কেজি ৩২নি। অদুগা অতোপ্পা সেটলাইট অনী অদুনা নেনো সেটলাইটশিংনি। সেটলাইট অনী অদুদি কেজি ১০ ফানা লূমদে। নেনো সেটলাইট অনী অদুগী মমিংনা কেহান টু অমসুং হাটেফ ৱান হায়না মিংথোল্লি। অদুগা খরা চাওবা সেটলাইট অদুগী মমিংনা মাধা হায়না মিংথোল্লি। সেটলাইট মাধা ইরানিয়ন স্পেস এজেন্সীনা শাবনি। সেটলাইট অসি শাখিবগী মরুওইবা পান্দমদি ইরানগী সিমোর্ঘ রোকেট মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকপা য়ানবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, হায়রিবা রোকেট অসি ইরানগী ওইনা খ্বাইদগী ফেল ওইদুনা লাকখিবা রোকেট মখল অমনি।